# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-05-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-০৫-২০২৫,লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থিবা হুন্সবগী থবক চঙ্খবদা আইননা য়াদবা লালহৌবশিং অমসুং খূৎশু খূৎলাই ফাগৎপা লেপত্রি।

২) মেট দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদা নোং চুগনি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙরাংসু মফম খরদা পারপা নোং চুখি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত লান্মীনা চঙ্খিবা ওপরেসন সিন্দুর অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুকিং ইহুল ফোঙদোক্লিবা য়ামা শক্তি লৈবা ওপরেসন অমনি।

**-----**

**পুলিস (এল) ঃ** চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থিবা হুন্সবগী থবক চঙ্খবদা আইননা য়াদবা লালহৌবশিং ফাগৎপা অমসুং খূৎশু খূৎলাই ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী জি.খোমনুনুৱাম খূলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা সেভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভকী পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, পোম্পী অনি, তিয়র স্মোক সেল অনি, অমসুং অতৈ পোৎলম খর ফাগৎলে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা চেক্কোন অমগী মনাক্তগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা অমসুং সিম কার্দ অনি ফংলে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রি পুখ্রি মার্সিলেন্দদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অনিসু ফারে।

কুমজা ২০২৪ দা ইম্ফাল ইষ্টকী হৱাউরৌদা লৈবা আর.এস.এসকী ওফিসতা মীয়ামা এত্তেক্ট চথবদা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অনি য়ুমাম খুনৌ অৱাং লৈকাইদগী ফারে।

মরক অসিদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী নিউ লমকা মনাক্তগী চকা মরি পানবা গারিদা লাকপা মীওই মরি নম্বর ফোর হেরোইননি হায়না চিংনবা পোৎলমশিং য়াওবা সাপোন কেপ ৯৭কা কোন্ননা ফারে। পোৎলমশিং অসিগী মমল চাউরাকা লূপা কোতি ১১ রোম ওইগনি হায়রি। হুরানখিবা অমসুং লাকখিবা গারি ৬ সু রাজ্য পুলিসনা মখা তানা ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

**এআর(এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা শেরৌদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুগী ভলন্তিয়রশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল টিমনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়ামরুম লেমা লায়েংখি হায়রি। চুরাচান্দপুরগী টি.বেথলেমদা লৈবা রিলিফ কেম্পতসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখি। মদুদা পুন্না মীওই ২০৯ লায়েংখি হায়রি।

**এময়ু(এল) ঃ** মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সেস (বোতনি) অমসুং বোতানিকা ক্লবনা শিন্দুনা ঙরাং য়ুনিভর্সিতি অসিদা ইন্টরনেসনেল প্লান্ট হেলথ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। 'দ ইম্পোর্তেন্স ওফ প্লান্ট হেলথ ইন ৱান হেলথ' হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর এন.লোকেন্দ্র, স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সেসকী দিন প্রোফেসর দেবানন্দ সিংহ নিংথৌজম, দিপার্টমেন্ট ওফ জ্লোজিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসর টি.ঐচ.বিনোইনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফ্লোরা ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা অতেনবা দোক্যুমেন্তরি ফিল্ম অমসু উৎখি।

**মাই ভারত(এল) ঃ** ভারত সরকারগী য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী- 'মাই ভারত'না লৈবাক শিনবা থুংনা নহাশিংদা মাই ভারত সিভিল দিফেন্স ভলন্তিয়রস ওইনবা নহাশিংবু বার্তণ তৌরি। মাই ভারত, থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌজিক লৈবাক্কী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা নহাশিংনা সিভিল দিফেন্সতা ভলন্তিয়র ওইদুনা লৈবাক্কী অরুবা তানফমদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লাক্লি। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবা, ফর্ষ্ট এদ অমসুং ইমর্জেন্সী কেয়র, ত্রাফিক মেনেজমেন্ট ক্রাউদ কন্ত্রোল, পব্লিক সেফটি অমসুং দিজাস্তর রেস্পোন্স অমদি রিহেবিলিতেসনদা মতেং পাংবনা সিভিল দিফেন্স ভলন্তিয়রশিংগী অচৌবা থৌদাং ওইরি। মসিদা য়াওনিংবা নহাশিংনা মাই ভারত পোর্তেল মাইভারত দোট জি.ও.ভি.দোট ইনদা রেজিস্তর তৌবা য়াগনি হায়রি।

**শাবা(এল) ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদা নোং চুগনি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙরাংসু মফম খরদা পারপা নোং চুখি।

রাজ্যগী ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-সেনাপতি জিলাদা নোং চুবগী চাং মিলিমিতর ৩.১ য়ৌখি। নোনে জিলাদা মিলিমিতর ১.৮ অমসুং ককচিং জিলাদা ০.২গী চাংদা পারপা নোং চুখি। ইম্ফালদা হৌখিবা অহিংদা পারপা নোং চুখি। নোং মংবা অমদি নোং খর খর চুবা অসিনা মরম ওইদুনা ঙরাংগী ওইনা শাবগী চাং হন্থখি। ককচিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২৮ ওইখি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৫ ওইখি। নোনে অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ২৪ ওইখি। সেনাপতি জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ২২ ওইখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত লান্মীনা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুর অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুকিং ইহুল ফোঙদোক্লিবা য়ামা শক্তি লৈবা ওপরেসন অমনি।

জাতিগী মীয়ামদা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ওপরেসন সিন্দুর অসি অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা ৱাশক অমগা লোয়নননা পাঙথোকখিবনি। ওপরেসন অসিনা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা লান্থেংনবগী খোঙজং হেন্না কনশিন্দুনা অনৌবা মায়োন অমদা পুরকপা ঙম্লে। মহাকা হায়-কনাগুম্বা অমত্তনা নিউক্লিয়রগা মরি লৈননা কিহল্লকপশিং লৈবাক অসিনা তুমিন্না খাঙদুনা লৈরোই অমসুং টেরোরিষ্টশিংনা চথরকপা এত্তেক্টশিংগী মতিক চাবা পাউখুম শোইদনা পীগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অমদি পাকিস্তান অনিগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নবা তারবদি মদু পাকিস্তান স্পোন্সর তেরোরিজম অমদি পাকিস্তান ওক্কুপাইদ কাশ্মীর হায়রিবা হিরম অসিদা শান্নগদবনি। মসিগা লোয়নননা লৈবাক অনি অসিনা ৱারী শান্নবা মতমদা কনাগুম্বা অতোপ্পা লৈবাক অমনা মেদিয়েতর ওইবা য়ারোই।

মরক অসিদা ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ মিলিটরি ওপরেসন(দি.জি.এম.ও)গী থাক্তা ঙরাং ৱারি শান্নখ্রে। নাকল অনিনা ৱারি শান্নবা অদুদা মখা তানা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপদবা অমসুং ঙমখৈদা লৈরম্বা লান্মীগী মশিং হন্থহনবা হায়না য়ানখি। ভারত লান্মীনা হায়-ঙরাং ঙমখৈ লান্না পাকিস্তানগী ড্রোন অমত্তা পাইশিল্লকপগী পাউ লৈতে। হৌজিক ফাওবদা ফিভম অসি শান্তি ওইরি।

**খেল্লোঃ** বিহারদা চথুরিবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা মহারাস্ত্রনা সনাগী ৩৪, লূপাগী ২৬, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৮৭ ফংদুনা মেদল তেল্লিগী অহানবা মফমদা লৈরি। কর্নাতকনা সনাগী ১৪ য়াওনা তকমান ৪৪, রাজস্থাননা সনাগী ১৪ য়াওনা পুন্না তকমান ৩০ ফংদুনা মথং শিংনা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈরি। মণিপুরনা সনাগী ৬, লূপাগী ৪, শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৫ ফংদুনা মপল শুবা মফমদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হাই স্কুল লিভিং সর্তিফিকেট এগজামিনেসন হায়দোকখিবগী পাউ, পাকিস্তাননা চথরকপা ড্রোন এত্তেক্টতা লৈখিদ্রবা বি.এস.এফ কন্সতেবল চিংঙাখম দিপকতা ইকাই খুমবা উত্তুনা মপুং ফাবা সেলুট পীরগনি হায়বা পাউ, অমসুং ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা-হাই স্কুল লিভিং সর্তিফিকেট এগজামগী রিজল্ট হায়দোকখ্রে, ককচিংনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৮.৪৮ ওইদুনা খ্বাইদগী য়ামা পাস তৌবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বি.এস.এফ কন্সতেবল চিংঙাখম দিপক্কী হকচাং ঙসি পুরক্লগনি, ইয়রপোর্টতা গভর্ণরনা লুচিংদুনা ইকাই খুমগনি, মপুং ফাবা সেলুট পীদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ওপরেসন সিন্দুর তেররগী মায়োক্তা চথবা অনৌবা পোলিসিনিঃ প্রধান মন্ত্রি- হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সেন্সস ২০২৬ কী মতুংদা দিলিমিতেসন তৌবনা ফগনি হায়না গভর্ণরনা হায়রকখি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেল অমসুং সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সিঙ্গল য়ুস প্লাসতিক, কৈথেলদনা দ্রাইভ, নাগা নালাদনা পুমথন- হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.আর চলাইখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন লেপ্তুনা চথরি নুমিৎ নিনি খক্তদা কাদর ১৭ য়াওনা য়াম্লবা খূৎলাই ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল সস্তেনেবল ইকো-টুরিজম য়োকখৎনবগীদমক্তনি হায়বা-টুরিজম দাইরেক্তর পুজা এলাংবমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মীপুম খুদিংমক সাইবর লো খঙবা মথৌ তাইঃ বিমোল অকোইজম- হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**